## দ্রগ য়োনবা ২ ফারে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৫(ঐচ এন এস): নার্কোটিক্স এন্দ এফেযর্স ওফ বোর্দরগী টিম অমনা মাঙজৌননা পাউ ফংবদগী থা অসিগী ২৪গী নুংথিল পুং ২ রোম তাবদা থিবা হুম্বগী থবক চথবদা ৱাঙ্খেই নিংথেম পুখ্রি এরিয়াদগী দ্রগ য়োনবা মীওই অনী ফারে।

দ্রগকা লোয়ননা ফারবা মীওইশিং অদুদি ফুরাইলাৎপম দিচান্দ (৩২) অপোকপা পি ঐচ য়াইমা কৌবা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী খ্বাই ব্রহ্মপুর অরিবম লৈকায়দা লৈবা মীওই অসিগা লোয়ননা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী পাৎশোই পি এসকী মনুং চন্না লৈবা থারোইজম মমাঙ লৈকায়দগী হৈক্রুজম জোয়কোক (৩৩) অপোকপা ঐচ দিলিপ এস পি কেপ্সুল ৬৯গা লোয়ননা ফারে হায়রি।

এন এ বি পুলিস ষ্টেসন্না কেস অমা রেজিষ্টর তৌদুনা মখা তানা থিজিন হুমজিনবগী থবক চথুরি।

## ষ্টেট সাইন্স সেমিনার

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৫(ঐচ এন এস): নেসনল কাউন্সীল ওফ সাইন্স ম্যুজিয়ম, গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী মীৎয়েং মখাদা দিরেক্টর ওফ এদ্যুকেসন (এস)না শীন্দুনা ৩৯শুবা ষ্টেট লেবেল ষ্টুদেন্টস সাইন্স সেমিনার ২০১৭ থা অসিগী ২৬কী অয়ুক পুং ১০.৩০ তাবদা পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা লময়ানবা শঙলেন্দা পাঙথোক্কদৌরি।

স্বাছ ভারত : রোল ওফ সাইন্স এন্দ টেক্নোলেজি, প্রোমিজেস এন্দ চেরেঞ্জেস ফোর হায় স্কুল ষ্টুদেন্টস হায়না ক্লাস আইটতগী টেন ফাওবগী মনুংদা লৈবা মহৈরোয়শিংগীদমক্তা পাঙথোক্কদবনি। হায়রিবা সেমিনার অসিদগী খনগৎলম্বা ষ্টেট রিপ্রজেন্টটিব অদু নেসনল সাইন্স সেমিনার ২০১৭ লাক্লিবা নবেম্বর ৯দা বিরলা ইন্দষ্ট্রিএল এন্দ টেক্নোলোজিকেল ম্যুজিয়ম কোলকাটাদা পাঙথোক্কদৌরিবা অসিদা শরুক য়াগনি হায়রি।

## সনাগী বিস্কুট ১০ ফারে

গুৱাহাটি, ওক্টোবর ২৫(এজেন্সী): দিব্রুগড়-ন্যু দিল্লি রাজধানি এক্সপ্রেসতা তোংদুনা লাকপা মীওই অনীদগী কেজি ১.৬ লোম ওইগদবা সনাগী বিস্কুট ১০ রেলৱে পুলিসনা ফারে।

গুৱাহাটি রেলৱে ষ্টেসনদা চেক তৌবদা রাজধানি এক্সপ্রেসতা লাকপা মীওই অনীদগী সনাগী বিস্কুট ১০ অদু ফাখিবনি। রুটিন চেক্কিং ওইনা গুৱাহাটি রেলৱে ষ্টেসনদা চেক চথবা মতমদা রেলৱে পুলিস পার্সনেলশিংনা মীওই অনীদগী লুপা লাখ ৫০ রোমগী মমল ওইগদবা সনাগী বিস্কুটশিং অদু ফাবা ঙমখি। ফারবা মীওই অনী অদুদি গাজিবাদতগী রবি অমদি দিল্লিদগী সঞ্জয় শর্ম্মা কৌই। ফাগৎলবা সনাগী বিস্কুটশিং অদু কষ্টম দিপার্টমেন্টতা খুৎশিন্নখ্রে হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

## মোমো য়োনবা মীওই হাৎলম্লে

জোর্হাট, ওক্টোবর ২৫(এজেন্সী): অৱাং নোংপোক লমদমগী মফম কয়াদা মী ফুবা অমদি হাৎপগী থৌদোক থোকপগী চাং য়াম্না হেনগৎলকপগা লোয়ননা অসামদা মীহাৎ মীপুনগী চাং খমথেংনা হেনগৎলক্লি।

য়াম্না নুংঙাইতবা থৌদোক অমদা থা অসিগী ২৩গী অহিং অথেংবদা মোমো য়োনবা মীওই অমা মখৌরিদা থাঙনা লেন্দুনা হাৎলগা হুন্দোক্লম্লে। অয়ুক্তা মীয়াম্না মোমো য়োনবা মীওই অদু থাঙনা লেল্লগা হুন্দোক্লম্বা থেংনরকখিবনি। দ্রুবা জ্যোতি হজারিকা হায়রিবা মোমো য়োনবা মীওই অদুগী অশিবা হকচাং ফংখিবা মফম অদুগী মীয়াম্না ফোঙদোরকপদা জোর্হাটকী সুংগিদগী লাক্লগা মফম অসিদা লৈবনি। মহাকপু কনানা করি মরমগীদমক্তা হাৎলিবনো হায়বদু হৌজিক ফাওবা খঙবা ঙমদ্রি অমসুং মখা তানা থিজিন হুমজিনবগী থবক চথুরি হায়রি।

## দিল্লিদা অসামি নহা অনী ফুরক্লে

গুৱাহাটি, ওক্টোবর ২৫(এজেন্সী): অসামদগী নহা ওইরিবা মীওই অনীনা সাউথ দিল্লিদা দুকান অমগী মনাক্তা মপান থোকচিল্লুবগীদমক্তা মফম অদুগী মীওই অনীনা ফুদরক্লে হায়রি। কছার দিষ্ট্রিক্টতগী সাইমন অমসুং জেসন হায়না কৌবা মীওই অনী অদু হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিৎকী নুংমিদাং পুং ১০.৩০ রোম তাবদা মহিপালপুর মনাক্কী চান-থক্লবা পোৎলমশিং য়োনবা দুকান অমগী মনাক্তা মপান থোকচিল্লুবগীদমক্তা দুকান মপু রোহিট অমসুং শকখঙদবা মীওই অমনা চিংথোক্লগা ফুরকখিবনি হায়না দেপ্যুটি কম্মিস্নার ওফ পুলিস ঈশ্বর সিংহনা ফোঙদোরকখি।

সাইমন অমসুং জেসন্না মখোয় অনীবু ফুরক্লিবা মীওইশিংগী মথক্তা লোগী ওইবা থবক পায়খৎপীবা পামদে। মদুগী মহুত্তা মখা তানা মেদিকেল এগজামিনেসন তৌবসু য়াখিদে। তৌইগুম্বসুং মখোয় অনী কা হেন্না অশোক-অপনদি থোকখিদে।

# কলচরেল য়ুনিভর্সিটিগী ৱাথোক মণিপুর লৈঙাক্না য়েংশিল্লু : অমাকসু

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৫(ঐচ এন এস): ওল মণিপুর আর্টস এন্দ কলচর ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (অমাকসু)না মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচরগী থবক থৌরমশিং লৈঙাপ্পা য়েংশিনবীদ্রবদি অকায়বা কয়া লাক্কনি হায়না চেকশিন ৱা ফোঙদোরক্লি।

অমাকসুনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচর লিংখৎলকপদা অমাকসুনা ঙমখে লৈতনা হরাওজে। মণিপুরগী অসুক কুইরবা পুৱারীদা আর্ট এন্দ কলচরবু গভর্ণমেন্টনা শকখঙবীরক্লে অমদি য়োকখৎপীরক্কনি খঞ্জবদা অসুক্কী মতিক নুংঙাইজখি।

ঙসি ফাওবদা মণিপুরগী শক্লাইরবা অমদি মণিপুরী কলচরগীদমক্তা পূন্সি কথোক্তুনা লাক্লবা ওজা কয়াবু ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা শকখঙবীদুনা পদ্মশ্রী অমদি সঙ্গীত নাটক একাদেমিনচিংবা এৱার্দশিং ফংলকপদা মণিপুর গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগী ওজাশিং অদু লৈ পরেং হুকপীনবা লৈত্রি।

মণিপুর গভর্ণমেন্টনা মশক খঙবীরে হায়না খঞ্জরুবা মীকুপ্তা নৌনা লিংখৎপীরকখিবা য়ুনিভর্সিটি অসিগী লাইবক গভর্ণমেন্টনা কদোমদা পুগদৌরিবা হায়না হংলক্লি।

খুন্নাই অমবু মশক তাকপদা স্পোর্টস অমসুং জগোই-ঈশৈনা মালেমদা মশক তাক্লি হায়রি। ৱাহৈ অসিগী ৱাহন্থোক করিনো হায়না মণিপুর গভর্ণমেন্ট অমদি লৈবাক অসিগী য়াইতোং-ফমদোংবশিংগী মফমদা অমাকসুনা হংলক্লি।

য়ুনিভর্সিটি অসি লিংখৎপীরকপদা মণিপুর গভর্ণমেন্টকী পোলিসি লৈখিদব্রা নৎত্রগা য়ুনিভর্সিটি অসিগী ভী সীগী করি অশোয়বা লৈবগে হায়বদু মীয়ামদা অথুবদা শেংদোকপীয়ু। অমবু ওইরো অমবু ওইরো মহৈরোয়শিংগী মতম মাঙহনবদা য়ানিংদে। মসিগী থৌদাং মণিপুর গভর্ণমেন্ট অমদি য়ুনিভর্সিটি অসিগী ভী সী অমদি রেজিষ্টরনা পুগদবনি।

য়ুনিভর্সিটি অসি লিংখৎলকপদগী হৌনবা অশোয়বা অরানবা কয়া থেংনদবা নত্তে। অদুবু অহৌবা হায়বসিদি অশোয়বা অরানবা কয়া লৈগনি। মরম অদুনা নোংমদি শোয়দনা অফবা অচুম্বা য়ুনিভর্সিটি অমা ওইরকখিগনি হায়না খন্দুনা অমাকসুনা করিগুম্বা ৱাহৈ অমফাওবা ফোঙদোক্তনা লাকখি। অদুবু হৌজিক ওইরিবা ফীভম অসিদি মহৈরোয় কয়াগী কেরিয়র মাঙনবগী মচাক ওইরকপনা অমাকসুনা তরাইনা লৌরোই।

অথুবা মতমদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচরগী প্রোব্লেম অসিবু মণিপুর গভর্ণমেন্টনা ৱারোইশিন অমা পুরক্ত্রবদি হন্দক চহীগী নবেম্বর থাদা পাঙথোক্কদৌরিবা মণিপুর সঙাই ফেষ্টিবেল ২০১৭তা কলচরেল প্রোগ্রামশিং পাঙথোকপদা আর্টিষ্টশিংগী মায়কৈদগী অকায়বা লাক্লোই হায়নিংঙাই লৈতে। কলচরেল প্রোগ্রাম উৎকদৌরিবা আর্টিষ্ট অমসুং মহৈরোয়শিংগী কেরিয়র মাঙহনবগী লম্বীলোমদা লাক্লবদি মণিপুর সঙাই ফেষ্টিবেল ২০১৭কী কলচরেল প্রোগ্রামশিং উৎপদা অকায়বা লাক্কনি হায়না অমাকসুনা মরী লৈনবশিংগী মফমদা ফোঙদোরক্লি।

# ‘অথুবদা অৱাৎপা ওজা থাবীরকউ’

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৫(ঐচ এন এস): ময়াং লাংজিন য়ুথস লাইব্রেরী ক্লবনা ময়াং লাংজিন হায় স্কুলগী অৱাৎপা ওজাশিং অথুবা মতমদা থাবীরক্লবা তকশিল্লক্লি।

ময়াং লাংজিন য়ুথস লাইব্রেরী ক্লবকী জেনরেল সেক্রেটরিনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, ময়াং লাংজিন মায়কৈদা লৈবা অমত্তা ঙাইরবা গভর্ণমেন্ট হায় স্কুল অমা ওইরিবা ময়াং লাংজিন হায় স্কুল অসিদা লৈরম্বা সাইন্সকী ওজা অহুম অমদি আর্টসকী গ্রেজুয়েট টিচর অমা হৌখিবা মার্চ থাদা রিটয়ার্দ তৌখিবা অমদি প্রমোসনগা লোয়ননা ট্রান্সফার চৎখিবদগী ঙসি ফাওবা ওজা মরি ৱাৎনা লৈরিবসি এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্টনা থাবীরক্তবনা মরম ওইরগা ঐচ এস এল সী এগজামিনেসন থাগদৌরিবা মহৈরোয়শিংদা চাউনা খুদোংচাদবা মায়োক্না হায়রি।

ওইরক্লিবা ফীভম অসি এদ্যুকেসন মিনিষ্টরনা মীৎয়েং চঙবীদুনা অথুবা মতমদা অৱাৎপা ওজাশিং থাবীরক্তুনা লাক্লিবা কুমজা ২০১৮গী ঐচ এস এল সী এগজামিনেসন মায়োক্লগদৌরিবা মহৈরোয়শিংগী খনবীরগা অৱাৎপা ওজাশিং থাবীরক্লবা মরী লৈনবা খূদিংমক্কী মীৎয়েং চিংশিল্লক্লি।

অথুবা মতমদা অৱাৎপা ওজাশিং থাবীরক্ত্রবদি অদুদা থোরকপা অফ-ফত্তগী থৌদাং মরী লৈনবশিংনা পুগদবনি হায়রি।

## পিছ পোষ্টর কন্টেষ্টকী রিজল্ট লাউথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৫(ঐচ এন এস): লায়ন্স ক্লব ওফ ইম্ফাল সেন্টরনা শীন্দুনা থা অসিগী ২২দা ন্যু চেক্কোন্দা লৈবা ব্রাইটর একাদেমিদা পাঙথোকখিবা পিছ পোষ্টর কন্টেষ্টকী রিজল্ট লাউথোক্লে।

চহী ১১দগী ১৩ ফাওবগী মনুংদা লৈবা কন্টেষ্টেন্ট ৩৬না শরুক য়াদুনা দি ফ্যুচর ওফ পিছ হায়বা থিমদা পাঙথোকখিবা পিছ পোষ্টর কন্টেষ্ট অদুদা ভেনিশ কৈশামনা অহানবা, মার্তিন তোংব্রমনা অনীশুবা অমসুং সুরজ য়ুম্লেম্বমনা অহুমশুবা তাখ্রে। মখোয় অহুমদা শেলগী মনা লুপা ২০০০, লুপা ১৫০০ অমসুং লুপা ১০০০ পীরগনি হায়রি।

অহৈবম চনু ইনুংঙানবী, এল রুপ, রকিবা তায়েবা, মোনালিসা খোংবান্তাবম, মককময়ুম অকিপ, হাওবম য়াইখোম্বী অমসুং এম দি জায়দনা কন্সোলেসন প্রাইজ লুপা ৫০০/৫০০ ফংলগনি হায়রি।

এৱার্দ অমসুং মেরিট সার্টিফিকেট য়েন্থোকফম কোন্না খঙহল্লক্কনি হায়না লায়ন্স ক্লব ওফ ইম্ফাল সেন্টরগী সেক্রেটরিনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

## আর্টিষ্টশিংদা মতিক চানা পীয়ু : অমাকসু

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৫ : মণিপুর গভর্ণমেন্টনা টুরিজম অমদি আর্ট এন্দ কলচর দিপার্টমেন্টকী মখাদা চহী খূদিংগী পাঙথোক্লিবা মণিপুর সঙাই ফেষ্টিবেলগী কলচরেল প্রোগ্রামগী আর্টিষ্ট অমসুং কোরিওগ্রাফরদা শেনফম মতিক চানা পীবিয়ু হায়না ওল মণিপুর আর্টস এন্দ কলচরেল ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (অমাকসু)না ফোঙদোরক্লি।

অমাকসুগী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি সেক্রেটরিনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, সঙাই ফেষ্টিবেলগী ওপনিং অমদি ক্লোজিং ফঙ্কসনগী কলচরেল প্রোগ্রামগী কোরিওগ্রাফর অমদি আর্টিষ্টশিংগী শেনফম পীবিবা মতমদা তোঙান তোঙান্না পীবিয়ু। কোরিওগ্রাফকী রিয়াসেল তৌবা মতমদা নুমিৎ মশীং খরা হেন্না চঙবনা আর্টিষ্টশিংগী শেনফম মতমগা চুননা পীবিনবা ৱাফম ফোঙদোরক্লি। মিনিষ্ট্রি ওফ কলচরগী মখাদা লৈবা জোনেল কলচরেল সেন্টরশিংগী রিয়াসেলগী চাং অসি আর্টিষ্ট অমদা নোংমদা লুপা ৮০০ পীরি অমসুং রিয়াসেলগীসু নুমিৎ মশীং পারগা শেনফমশিং পীরি। নুমিৎ মশীং য়াম্না রিয়াসেল তৌরগা শুপ্নতগী লুপা ১,৫০০/২,০০০ পীবিবনদি আর্টিষ্টশিং য়োকখৎপগী থৌওং নত্তে হায়না ফোঙদোরক্লি। ফেষ্টিবেল অসিগী কলচরেল টিমশিংসু মতমগা চুনবা পেমেন্ট পীবিনবা মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টশিংগী মফমদা তকশিল্লক্লি।

## ‘গ্রামিন সম্রিধি যোজনা কৌবা স্কিম লৈতে’

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৫(ঐচ এন এস): বেঙ্ক ওফ মহারাষ্ট্রনা সাইবর ক্রাইম পুলিস ষ্টেসন্দা থা অসিগী ২৩দা টেলিফোন্দ ৱারী শানবদা গ্রামিন সম্রিধি যোজনাগী মখাদা থবক চঙনিংবা কেন্দিদেটশিংনা বেঙ্ক অসিদগী লুপা ৩,০০০গী দ্রাফ্ট অনী ককখ্রে হায়বা ৱাফম খঙহল্লকখি।

গ্রামিন সম্রিধি যোজনাগী কোলকাটাদা পেয়েবল ওইবা দ্রাফটতা কক্কদবনি হায়না পাউচে অমদা হৌখিবা জুলাই ৩১দা এদভর্টিজমেন্ট তৌরকপগা লোয়ননা ৱেবসাইট www.gsy.org.in তা ফোঙলকখি। মখা তানা হৌখিবা ওক্টোবর ২৪দা কেন্দিদেট খরসু স্কিম অসিগী মখাদা থবক তৌনবা হোৎনরে হায়বগী রিপোর্ট সাইবর ক্রাইম পুলিস ষ্টেসন্দা পীখি হায়রি।

মখা তানা মণিপুর, সিক্কিম অমসুং হিমাচল প্রদেশতগী কেন্দিদেট ৪২০০বু মেরিট লিষ্টতা য়াওরে অমসুং লুপা ২০০০দগী লুপা ৩০০০ ফাওবগী মনুংদা বেঙ্ক দ্রাইফট ৱেবসাইট অসিদা সার্টিফিকেট ভেরিফিকেসন তৌনবগীদমক্তা সিক্যুরিটি দিপোজিট ওইনা বেঙ্ক দ্রাফটশিং থারক্লবা খঙহল্লকখি। মতুংদা ৱেবসাইট অসি চেক তৌরুবা মতমদা শেমজিন শাজিনবা ওইরমখি। মরম অদুনা এস পি (সী বি)না হীরম অসিগী মতাংদা ইনক্কারি তৌরুবদা ৱেবসাইট অদু গভর্ণমেন্টনা ওথোরাইজ তৌবা ৱেবসাইট ওইরমদে অমদি আর দি এন্দ পি আরগী মণিপুরগী দিরেক্টরনসু অসিগুম্বা মিনিষ্ট্রি ওফ রুরেল দিভলপমেন্ট, গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়া নৎত্রগা অতোপ্পা মিনিষ্ট্রি/দিপার্টমেন্টকী মখাদা গ্রামিন সম্রিধি যোজনা কৌবা স্কিম লৈতে হায়না খঙহল্লকখি হায়না পুলিস দিপার্টমেন্টকী পি আর ও, সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস এন এ বি, দল্লিয়ু বাসু এম পি এসনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

## ত্রিপুরাদগী রাজধানি এক্সপ্রেস সার্ভিস হৌনবা ফ্লেগ-ওফ তৌরগনি



ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৫(ঐচ এন এস): আসামগী মথংদা নোর্থ ইষ্ট ষ্টেটশিংগী মনুংদা লাক্লিবা থাংজ নুমিৎতা ত্রিপুরাদগী রাজধানি এক্সপ্রেস সার্ভিস হৌদোক্লগনি হায়না ছোর্স অমনা হায়রি।

মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ফোর রেলৱে রাজেন গোহেলনা ত্রিপুরাদগী হৌগদৌরিবা রাজধানি এক্সপ্রেস সার্ভিসকী ফ্লেগ-ওফ তৌগনি। রাজধানি এক্সপ্রেস ট্রেন অসিনা ত্রিপুরাগী কোনুং অগরটালাদগী দিল্লি ফাওদুনা চৎকনি। নোর্থ ইষ্ট ফ্রন্টিয়র রেলৱেগী ওফিসল অমনা ফোঙদোরকপদা রেলৱে বোর্দকী মায়কৈদগী অকুপ্পা ৱারোল নোটিফাইদ তৌরক্ত্রি। ন্যু দিল্লি অমদি অগরটালা ফাওবগী রাজধানি এক্সপ্রেস অসিগী জর্নিগী সেদ্যুল অমসুং অতোংমলগী মতাংদা অকুপ্পা ৱারোল রেলৱে বোর্দনা নোটিফাইদ তৌরক্ত্রি।

অগরটালাদগী সার্ভিস হৌগদৌরিবা রাজধানি এক্সপ্রেস অসিনা আসাম, বিহার অমসুং উত্তর প্রদেশনচিংবা ষ্টেটশিংগী ষ্টেসন ১৬ লোম ফাওদুনা চৎকনি। ত্রিপুরাগী গভর্ণর টথাগট্টা রোইসু রাজধানি এক্সপ্রেস হৌদোকপগী থৌরমদা শরুক য়াগনি।

ত্রিপুরাগী পি দব্লিয়ু দি মিনিষ্টর বাদল চৌধুরি অমদি ট্রান্সপোর্ট মিনিষ্টর মনিকদে, সী পি আই এমগী এম পি ৩, বি জে পিগী এম এল এ দিলিপ দাসসু শরুক য়াগনি।

অগরটালা অসি নোর্থ ইষ্ট ইন্দিয়াগী মনুংদা রাজধানি এক্সপ্রেসনা শম্নবা অহুমশুবা সিটি ওইরগনি।

ওক্টোবর ১৭তা নোর্থ ইষ্ট ফ্রন্টিয়র রেলৱে (এন এফ আর)না অগর্টালা অমদি ন্যু দিল্লিগী মরক্তা রাজধানি এক্সপ্রেস চেলহনবা হৌরগনি হায়না লাউথোকপা লৈখ্রবনি।

হীরম অসিগী মতাংদা থৌরাং পূম্নমক লৌখৎপা লোইরে। অদুবু অগর্টালাদগী দিল্লি ফাওবা রাজধানি এক্সপ্রেস লমথানবগী চপ চাবা মতম লেপ্পা লৈত্রি হায়না এন এফ আরগী স্পোক্সপার্সন প্রনব জ্যোতি শর্ম্মনা ফোঙদোকখি।

# আসামগী গুৱাহাটিদা গ্লোবেল ইনভেষ্টর সমিট পাঙথোক্কদৌরি




গুৱাহাটি, ওক্টোবর ২৫(এজেন্সী): গুৱাহাটিদা কুমজা ২০১৮ গী ফেব্রুৱারী ৩ দগী ৪ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা গ্লোবেল ইনভেষ্টর সমিটতা ইনভেষ্টরশিংনা শরুক য়াবীনবা আসামগী চীফ মিনিষ্টর সর্বানন্দ সুনোৱালনা ইনভাইট তৌরি।

সমিট অসিগী মাঙওইননা কর্টেল রাইজর কনফরেন্সতা ৱা ঙাঙলদুনা আসামগী চীফ মিনিষ্টর সর্বানন্দ সুনোৱালনা ফোঙদোকখিবদা, ইন্দষ্ট্রি বোদি এফ আই সী সী আইনা ষ্টেট গভর্ণমেন্টকা খুৎশম্নদুনা গুৱাহাটিদা কুমজা ২০১৮ গী ফেব্রুৱারীদা গ্লোবেল ইনভেষ্টর সবমিট পাঙথোক্লবা শেম শারি।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী সপোর্টনা মরম ওইরগা আসামদা বিজনেসকী ইনভাইরনমেন্ট শাগৎপা ঙম্লে। আসামদা ইনভেষ্টমেন্ট তৌনবা ইনভাইট তৌরি। আসামদা ইনভেষ্টমেন্টকীদমক চঙলকপা মতমদা মপূং ফানা কোর্পোরেসন পীনবা থৌরাং তৌদুনা লৈ। আসামদা বিজনেসকী য়াম্না খুদোংচারবা মফম অমা ওইরি। ঐখোয়না বিজনেস ফ্রেন্দলি ইনভাইরনমেন্ট শেমগৎলি। আসাম ষ্টেট অসি হৌজিক্তি লেন্দ ওফ পোটেন্সিয়েল, পোসিবিলিটিজ এন্দ প্রোস্পরিটি ওইরে। আসামদা বিজনেস তৌনবা ইনভেষ্টরশিংবু ইনভাইট তৌরি।

ইনফ্রাষ্ট্রকচর শেমগৎ-শাগৎপগী থবক্তি গভর্ণমেন্টকী থৌদাংনি। ব্রহ্মপুত্র রিভর অসি য়াম্না মরু ওইবা ৱাটর ৱে অমনি। অদুবু সেদিমেন্টেসন অমদি সিল্টেসননা মরম ওইদুনা মসিগী খুদোংচাবা অসি মাঙলে। প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ব্রহ্মপুত্র অসি তৌনবা অমদি শেম্নবা লুপা ক্রোর ৪০০ লাউথোকখিবা লৈখ্রে।

হৌখিবা চহী অমা মখায়রোম আসামদা বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক লাক্লে। প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা নোর্থ ইষ্টতা অখন্নবা মীৎয়েং চঙলক্লিবা অসিদা মঙফাওননবা পান্দম থল্লি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাঙলদুনা আসামগী ইন্দষ্ট্রিজ মিনিষ্টর চন্দ্রমোহোন পোটৱারিনা ফোঙদোকখিবদা, চীফ মিনিষ্টর সুনোৱালনা স্কিল দিভলপমেন্ট অমদি সেন্টরগী এক্ট ইষ্ট পোলিসীগী অনৌবা দিপার্টমেন্ট শেমগৎলি। স্কিল দিভলপমেন্টকী থবক্তা অখন্নবা মীৎয়েং কয়া চঙলি। দিফরেন্টলি এবল্ড পার্সনশিংগীদমক অখন্নবা ইন্দষ্ট্রিয়েল ট্রেনিং ইন্সটিট্যুট হৌরে হায়নসু মখা তাখি।

আসামগী চীফ সেক্রেটরি ভি কে পিপরসেনিয়ানা ফোঙদোকখিবদা, ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা বিজনেসকী লমদা অখন্নবা মীৎয়েংগা লোয়ননা থবক পায়খৎলক্লি। বাইওটেক পোলিসী, হেন্দলুম এন্দ টেক্সটাইলস পোলিসী, ইন্দষ্ট্রিয়েল এন্দ ইনভেষ্টমেন্ট পোলিসী, আই টি পোলিসী, ষ্টার্ট-অপ পোলিসী অমদি সুগর পোলিসীনচিংবা কয়াদা অখন্নবা মীৎয়েংগা লোয়ননা থবক পায়খৎলক্লি। ইন্দষ্ট্রিগীদমক লম হেক্টর ৪০০০ লোম লৈ হায়নসু মখা তাখি।

## নাওরোইবম অমেংবনা ইবা নোবেল *য়াইফ য়ুম্বাল* ফোঙলগনি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৫(ঐচ এন এস): পেট্রিওটিক রাইটস ফোরম মণিপুরগী পেট্রোল মেম্বর অমসু ওইরিবা এদ্যুকেসনিষ্ট অমসুং কলচরেল এক্টিভিষ্ট নাওরোইবম অমেংবা (শান্তিকুমার)না ইবা নোবেল *য়াইফ য়ুম্বাল* হয়েং নুংথিল পুং ২.৩০ তাবদা মণিপুর প্রেস ক্লব, মেজোর খুলগী হোলদা ফোঙলগনি।

লাইরিক ফোঙবগী থৌরম অদুদা ডা. নাওরেম খগেন্দ্র ভাইস চাঞ্চেলর মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচরনা চীফ গেষ্ট, ফোরমগী ভাইস প্রসিদেন্ট য়াইস্কুল খ্বাইরাকপমনা প্রসিদেন্ট অমসুং ডা. সী ঐচ চোঞ্জোননা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াগনি। য়াইফ য়ুম্বাল হায়রিবা লাইরিক অসিগী মরমদা ডা. মোইরাংথেম প্রিয়োবর্ত্ত রিদর দি এম কোলেজ ওফ আর্টস ৱা ঙাঙগনি।

লাইরিক অসিগী অইবা নাওরোইবম অমেংবা হৌজিক হৌজিক বিরমঙ্গল কোলেজ, শওম্বুংদা ইংলিশ দিপার্টমেন্টকী হেদ ওইনা থবক তৌরি। সনামহি টেম্পল বোর্দ হয়িং খোংবাল উখোং য়ুম্ফমদা চহী ৭ মেম্বর ওইনা থৌ পুরমই। উত্রা শঙলেন সনা কোনুংদা শংলাকপা ওইনা চহী ৩ থৌদাং য়ারমই। হৌজিক হৌজিক্না সনা কোনুংদা ইনিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাওবগী রোয়েল কাউন্সীলর ওইরি।

লংমায়চীংদা কিয়োং শারিবা লাইয়িংথৌ সনামহি থৌগল কাঙলূপকী সেক্রেটরি অমদি প্রসিদেন্টকী থৌ পুরম্লগা হৌজিক হৌজিক্না এদভাইজর ওইনা লৈরি। নাৎ, লোল, ময়েক, শক্তম অমদি চৎনবী কয়াবু ঙাকপদা অচৌবা থৌদাং য়াদুনা লাক্লবা নাওরোইবম অমেংবগী নোবেল অসি পেট্রিওটিক রাইটস ফোরমগী অহানবা নোবেল ওইনা ফোঙগদৌরি হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

## রোহিঞ্জাগী ৱাথোক লোইশিনহনবদা ইন্দিয়ানা তেংবাঙহন্নিংই : হুসেন

অগর্টালা, ওক্টোবর ২৫(এজেন্সী): ম্যান্মারগী রাখিনেদগী লোনা য়াদবা মওংদা মশীং য়াম্লবা রোহিঞ্জাশিং বাংলাদেশতা হায়জিল্লক্লিবা অসিদা ৱাফম কয়া ফোঙদোক্নরিঙৈদা ৱাথোক অসিগী মতাংদা ইন্দিয়াগসু ৱারী শানরগনি হায়না বাংলাদেশকী এসিষ্টেন্ট হায় কম্মিস্নারনা ফোঙদোকখ্রে।

ইন্দিয়ানা রোহিঞ্জা রেফ্যুজিশিং চঙজফম পীবগী ৱাফম য়াখিদ্রে। অদুম ওইনমক লৈবাক অসিনা য়ুম্লোন্নবা বাংলাদেশতা চঙজফম লৌদুনা লৈরিবা রোহিঞ্জাশিংগী টেম্পরেরী কেম্পতা তেংবাঙগী পোৎলম থারকপদি লেপত্রি।

বাংলাদেশ এসিষ্টেন্ট হায় কম্মিস্নার শাখৱত হুসেনগী অগর্টালা খোঙচৎ মনুংদা ম্যান্মারদা রোহিঞ্জা রেফিজ্যুশিং হলহনখিবদা ইন্দিয়ানা তেংবাঙবীনবা ৱাফম হৌদোকখি। অদুম ওইনমক মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা ম্যান্মারদা রোহিঞ্জা রেফ্যুজিশিং হলহনখিবগী ৱাফম অসিনা মপুং ফানা শন্দাইনবগী ৱারোল ওইগনি।

ত্রিপুরা য়ুনিভর্সিটিনা শীন্দুনা অগর্টালাগী ও এস কে দি ইন্সটিট্যুট ওফ সোসল চেঞ্জ এন্দ দিভলপমেন্টদা পাঙথোকপা ৱার্কশোপ অমদা ৱা ঙাঙবদা হুসেননা হায়খি, রোহিঞ্জা রেফ্যুজিশিং ময়ুম লমদমদা হলহনখিনবা ম্যান্মারদা তকশিনবদা ইন্দিয়াসু থৌদাং য়ানিংই লোয়ননা রোহিঞ্জা রেফ্যুজিগী ৱাফম অসি শংদাইননবা হোৎনবা চুমগনি। সাউথ ইষ্ট এরিয়াগী শরুক অমা ওইরিবা ইন্দিয়াগী জিও পোলিটিকেল ইনফ্লুয়েন্সনা লৈবাক অনীনা পুন্না ঙমখৈ পুমিন্নরিবা শরুকশিংদা বাংলাদেশ অমসুং ম্যান্মার অনীমক্কা অফবা মরী থম্বা পামই। ইন্দিয়ানা রিফ্যুজিগী ৱাথোক্কা মরী লৈননা তেংবাঙ অদু ধকানা থাগৎপা ফোঙদোকখি।

# পেন্সনরশিংনা ৭শুবা পেগী পেন্সন পীবিনবা ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৫(ঐচ এন এস): মণিপুর ষ্টেট পেন্সনর্স য়ুনিয়নগী সিনিয়র ভাইস প্রসিদেন্ট পুখ্রম্বম নিমাইগী লীচিং মখাদা য়ুনিয়ন্না তাল্লিবা দিমান্দশিং তকশিনবা ওইনা শিংজমৈ চীংঙা মখোঙদা ঙসি অয়ুক পুং ১০দগী নুংথিল পুং ৪ ফাওবা ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে।




মণিপুর ষ্টেট পেন্সনর য়ুনিয়নগী জোইন্ট সেক্রেটরিনা ফোঙদোরকপগী মতুংইন্না, সেন্টরনা ৭শুবা পে মমাঙ চহীগী জন্যুৱারী ১দগী পীখিবা অদু পীবিনবা হঞ্জিন হঞ্জিন হায়জবদা তাবীদবদগী ৱাকৎ মীফমগী খোঙজং চঙশিনবনি।

অৱাং নোংপোক ইন্দিয়াগী ওইনা মণিপুর অমদি মেঘালয়া নত্তনা অতৈ অতোপ্পা ষ্টেটশিংদা ৭শুবা পে লোইনা পীখ্রবনি। মণিপুর ষ্টেট পেন্সনর য়ুনিয়ন্না মতম শাংনা তক্লদুনা লাকপা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টকী পেন্সনরশিংদা পীরিবা মেদিকেল এলারেন্স কুমজা ২০১৪গী নবেম্বরদগী লুপা ৩০০দগী লুপা ৫০০দা হেনগৎখিবা অদুসু ষ্টেট অসিদা পীবিনবা হৌখিবা দিসেম্বর থাদগী তোয়না তক্লদুনা লাকখি অমদি হৌজিক ফাওবা পীবিদ্রিবা অসি এরিয়ারগা লোয়ননা পীবিনবা তক্লরকখি হায়রি।

মণিপুরদা হৌজিক পেন্সনর মশীং ৪৫,৫৬০ রোম লৈ। কুমজা ২০০৪ গী মতুংদগীদি মণিপুর লৈঙাক্না পেন্সন পীবগী মহুত্তা ৱান তাইম ওইনা শেল পীরি।

পেন্সনরশিংনা মখোয়গী দিমান্দ অসি চপ চানা ফঙদ্রিবা ফাওবা লেপ্তুনা খোঙজং চথরকখিগনি।

লোয়ননা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা ৱাকৎ মীফম লেপ্তুনা চথখিগনি হায়রি। থা অসিগী ২৬তা ককচিংদা মণিপুর পেন্সনর য়ুনিয়ন্না শীন্দুনা মখা তানা ৱাকৎ মীফম চথগনি। মদুগী মতুংদা থা অসিগী ২৯ দা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা কৈনৌদা ৱাকৎ মীফম চথগনি।

থা অসিগী ৩০ দনা কোংবা কৈথেলদা ৱাকৎ মীফম চথগনি। মদুগী মতুংদা থা অসিগী ৩১ দা অমুক হন্না শিংজমৈ চীংঙা মখোঙদা মখা তানা ৱাকৎ মীফম চথগনি। মসিগীসু মথক্তা জিরিবাম অমদি সেনাপতিদসু মখা তানা ৱাকৎ মীফম চথরগনি হায়রি।

## আর পি এফ/পি এল এগী সেম্পেথাইজর অমা ফারে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৫(ঐচ এন এস): ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিস কম্মান্দোগী টিম অমনা মাঙজৌননা পাউ ফংবদগী থা অসিগী ২৪গী নুংথিল পুং ৫.৩০ রোম তাবদা চীংমৈরোং অমসুং মসিগা নক্লবা মফমশিংদা ফ্রিস্কিং অমসুং চেক্কিং চথবদা আর পি এফ/পি এল এ ওর্গনাইজেসনগী সেম্পেথাইজর গুরুময়ুম ধনরাজ (৪৭) অপোকপা লৈখিদ্রবা দাওজি শর্ম্মা কৌবা খুরাই সোইবম লৈকায়দগী হৌজিক্না খাবম লমখায়গী এম বি কার ৱার্কশোপতা লৈবা মীওই অসি ফারে। লোয়ননা মঙোন্দগী মরী লৈনবা পোৎলম কয়াসু ফাগৎপা ঙমখ্রে হায়রি। ইম্ফাল পুলিস ষ্টেসন্না কেস অমা রেজিষ্টর তৌদুনা মখা তানা ইনভেষ্টিগেসন চথুরি হায়রি।

## ‘য়ানবা পুরকপা মীফম ওইহনবীয়ু’

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৫(ঐচ এন এস): মণিপুর গভর্ণমেন্টকী মখাদা লৈরিবা দিপার্টমেন্ট খূদিংমক্কী শিন্মীশিংসু সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টকী শিন্মীশিংদা পীরিবা ৭শুবা পে স্কেল অসিগা মান্ননা পীবিয়ু হায়দুনা মণিপুর ইলেক্ট্রেসিটি ইমপ্লোয়ীজ য়ুনিয়ন্না ফোঙদোরক্লি।

মণিপুর ইলেক্ট্রেসিটি ইমপ্লোয়ীজ য়ুনিয়নগী পব্লিসিটি সী ঐচ ইবোহনবীনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, হৌজিক চঙশিল্লিবা খোঙজং অসিগী মখা তারকপা ওইনা এমটুক অমসুং এম জি ও অনীগী অপুনবা জে এ সীগা মণিপুর গভর্ণমেন্টকা ৱারী শানগদৌরিবা অসিদা য়ানবা অমা পুবীরক্লবা অমদি শিন্মীশিংগী ফংফম থোকপা রাইটনি খনবীদুনা পোজিটিব ওইবা মীফম অমা ওইহনবীয়ু হায়না ফোঙদোরক্লি।

## নোবেল টোক পাঙথোক্কদৌরি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৫(ঐচ এন এস): ধনমঞ্জুরি কম্ম্যুনিটি কোলেজ, দি এম কোলেজ ওফ সাইন্স ইম্ফাল অনীনা পুন্না শীন্দুনা রিসার্চ ইন্সটিট্যুট ওফ সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি ইম্ফালগা খুৎশম্নদুনা নোবেল প্রাইজ ২০১৭ ইন ফিজিক্স : দিটেক্সন ওফ গ্রেভিটেসনেল ৱেবস বাই এল আই জি ও হায়না মিংথোনবা নোবেল টোক অমা থা অসিগী ২৭কী নুংথিল পুং ১ তাবদা ধনমঞ্জুরি কম্মুনিটি কোলেজদা পাঙথোক্কদৌরি।

দি এম কোলেজ ওফ সাইন্সকী জুলোজি দিপার্টমেন্টকী পি জি এক্সটেন্সন মনাক্তা লৈবা ধনমঞ্জুরি কম্ম্যুনিটি কোলেজদা পাঙথোক্কদৌরিবা নোবেল টোক অসিদা শক্লাইরবা ফিজিক্সিষ্ট প্রো. এন নিমাই হেদ দিপার্টমেন্ট ওফ মণিপুর য়ুনিভর্সিটিনা কি স্পিকর ওইনা ৱা ঙাঙগনি হায়রি।

## আই টি বি পি রাইজিং দেগী গ্রীটিং পীখ্রে

ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ২৫(এজেন্সী): ইন্দো টিবেটান বোর্দর পুলিস (আই টি বি পি) অসি স্পেসল এফিনিটি অমদি হাই ওল্টিচ্যুদ ওপরেসনদা হৈ-শিংবা ফোর্সনি হায়না প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ফোঙদোকখ্রে।

আই টি বি পিগী রাইজিং দেগা মরী লৈননা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা গ্রীটিং পীরদুনা ফোঙদোকখিবদা, আই টি বি পিনা থৌনা ফনা অমদি হ্যুমেনিটরিয়ন ইথোসকা লোয়ননা থবক তৌরি। হিমালয়গী লমদমদা স্পেসল এফিনিটি ওইনা থবক তৌরি। আই টি বি পি কুমজা ১৯৬২ গী ওক্টোবর ২৪ দা লিংখৎখি। ফোর্স অসিনা করাকোরম পাস, লাদাখতগী জাচেপ লা অরুনাচল প্রদেশ ফাওবা কিলোমিটর ৩৪৮৮ শাংবা ইন্দিয়া-চিনা বোর্দরদা বোর্দর গার্দকী দ্যুটিদা দিপ্লোই তৌরি হায়নসু মখা তারি।